# মার্সিএল আর্টসকী মমিং লৈরবা হোল্লিৱুদ এক্টর ব্রুস লী

*- নানি -*

মণিপুরদা ব্রুস লীগী ফিল্ম কয়া লাকপদা মীনা হোল পোকখায়বমখে চোন্না য়েংনখি। টিকেট ফংনখিদে, কলাবজারদগী লৈনবা হোৎনবদা, কলাবজার তৌবশিংনা য়াম্না চাউথোক্লা, পোংনা লৌনীংবা মমল লৌরগা টিকেট য়োনখি। ব্রুস লীগী মমিং লৈরবা ফিল্মশিং অয়াম্বা মণিপুর য়ৌরকখি। মহাক্কী ফিল্মশিং - *Fist of Fury, Enter the dragon, Way of the dragon, The Big boss, Game of death* নচিংবা ফিল্ম কয়ানা মণিপুরগী নহাশিংবু পুমঙাও ঙাওহনখি। কুং ফু মার্সিএল আর্টস অসি য়াম্না পাম্বা হেনগৎলকখি। মী পূম্নমক মহাক্কী সিনেমা য়েংলুরগা থোরকপদা মখোঙ-মখূৎ অদু ব্রুস লীগুম্না শিংব্রা হায়না অমুক অমুক্তং কাওদুনা, থিন্দুনা শান্নদবা য়াওখিদে। মহাক্কী মতৌ তম্বদা মথন্তা ফক্লাংদা মখূৎনা থিনবদা শোক-পনবা ফনা য়াম্না য়াওনখি। মী পূম্নমকশিং অসি রাউন্দ কিক, ফ্লায়িং কিক হায়বা অসিগী ৱাহৈ অসি অপিকপা অঙাং ফাওবনা চিনফা পুনখিবা ৱাহৈ ওইখিবনি।

ব্রুস লীদা পোকপদগী ফিল্ম য়াওরক্লে হায়বা য়াই। মহাক্লা মশাগী চহী অমা শুরকপদা মশা ফাওবা খঙজদনা ফিল্ম য়াওবা হৌরকখ্রবনি। মহাক অসি অমরোমদা হায়রবদি লাইপোক্কুম্বমকনি হায়বা য়াই। ইষ্ট অমদি ৱেষ্ট অনী অসি মহাক্লা শমজিন্নরম্বনি। হায়বদি এসিয়াগী আর্টিষ্ট অমনা য়াম্না ইচং থৌনা অমদি মমিং লৈনা অনৌবা ফিল্মগী মহাও অমগা লোয়নননা হোল্লিৱুদতা থোরকখিবা হায়বসি ব্রুস লীনা হাল্লি। মহাক্তি ২০শুবা সেঞ্চুরিগী পোপ কলচর আইকোন অমনি হায়না ফাওবা শিংথানখিবনি। চাইনিজ মার্সিএল আর্টস কয়াদগী মওং-মতৌ লৌরগা অনৌবা মার্সিএল আর্টস জীট কুনে দো হায়বা অসি হায়ব্রিদ মার্সিএল আর্টস অমা ওইনা মহাক্লা হৌদোকখিবনি। চাইনিজ মার্সিএল আর্টসপু মালেম শিনবা থুংনা হোল্লিৱুদ ফিল্মদা পুথোক্তুনা খঙহনবা ঙমখিবসি ব্রুস লীনি। মহাক্কী ফিল্ম খুদিংমক্তা চাইনিজ নেসনেলিজমগী মমি নিংথিনা তাহনবা ঙমখি। মহাক মশানা ইবা লাইরিক অহুম ফোঙখ্রে - Chinese Gung-Fu – The philosophical Art of Self Defense (1963), Tao of Jeet Kune Do (1973) অমদি Bruce Lee's fighting method (1978) হায়রিবা অসিনি। অকোনবগী অনী অসিদি মশা লৈখিদ্রবা মতুংদা ফোঙলকপনি।



কুমজা ১৯৪০গী নবেম্বর ২৭তা পোকখিবা এক্টর, রাইটর, দিরেক্টর, প্রদ্যুসর, ফিলোসোফর অসি মমিং লৈরবা চাইনিজগী Cantonese Opera গী মমিং য়াম্না চৎপা Star Lee Hoi-Chuen গী মচানুপানি। মপাগী মতিক ময়াই অদু মঙোন্দা হৈজিন্দুনা য়াওখি। মপানা মহাকপু কুমজা ১৯৪১দা "The Golden Girl" হায়বা ফিল্ম অদুদা পুথোরকখি। মহাক্কী মপানা এক্টর অমা ওইবনা মফম কয়া কয়াদা চৎতুনা প্লে উৎলি। মদুদা মহাকসু অদুম লোয়নদুনা চৎলি। অদুনা আর্ট এক্টিংগী থবক অসি য়াম্না পিক্লিঙৈদগী মশাদা লোয়নদুনা লাকখিবা মীশক অমা ওইখি। মদুনা মহাক্কী তুংদা লাক্কদবা পুন্সিগী লম্বীদা মশা নান্না চৎপা ঙমখিবনি হায়না লৌবা য়াই। মহাক্কী অপোকপা অসি য়াম্না মমিং লৈবা মীশক অমা ওইবনা টেলিভিজন শো অমদি দ্রামা কয়াদা মহাক য়াওখি। মদুগী খুদোং চাবা অদু পিক্লিবা ব্রুস লীদসু ফংবা ঙমখি। অঙাং ওইবগী রোল অমা য়াওরকপদা মহাক শোয়দনা য়াওবগী খুদোং চাবদু ফংখিবনি। মহাক মশাগী চহী ৯ শুরকপদা অপোকপা মপাগা লোয়নননা The Kids (1950) হায়বা ফিল্ম অদুদা পুন্না ফিল্ম কুম্মিনখি। মহাক্ল া মমিং চৎপা এক্টর অমা ওইদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক ফিল্ম ২০ হেনবদা শরুক য়াখ্রবা মীশক অমনি।



মশাগী চহী ৩২ দং শুরকপা, কুমজা ১৯৭৩দা মহাক লৈখিদে। কুমজা ১৯৭৩গী জুলাই ২০দা মহাক্কী অনৌবা ফিল্ম Game of Death হায়বা অসিগী মতাংদা ফিল্ম অদুগী এক্টর George Lazenby অমদি প্রদ্যুসর Raymond Chow গা লোয়নননা চাকলেন য়াওবা মীফম অমা Taiwanese actress Betty Ting Pei গী য়ুমদা পাঙথোকখি। মীটিং চথরিঙৈদা মহাক মকোক য়াম্না চিকই হায়না হায়রকপদগী টিংনা প্যেনকিল্লর টেব্লেট (aspirin অমদি meprobamate কী কম্পোজিসন য়াওবা) অমা পীজখি। মতমদু নুংথিলগী পুং ৪ তারকপা মতমদনি। অদুগা ব্রুস লী পোথাখি। নুমিদাং পুং ৭.৩০ তারকপদা মহাক হৌগৎপা ঙমদ্রে। ডোক্টর অমা কৌদুনা য়েংবদা য়াম্না থুনা হোস্পিটালাইজ তৌবা মথৌ তারে হায়দুনা এম্বুলেন্স অমা কৌদুনা Queen Elizabeth Hospital দা পুখি। অদুবু মহাক্লা হোস্পিটাল য়ৌবা মতমদদি মহাক শিনা পুরক্লে হায়না ডোক্টরনা লাউথোরকখি। অসুম্না মমিং লৈখ্রবা ২০শুবা সেঞ্চুরিগী মালেমগী ওইনা অতাঙবা অমদি মমল লৈবা অখন্নবা মীওই ১০০গী মনুংদা অমা ওইরিবা ব্রুস লীগী অরোইবা য়াহিপ তানখি। মহাক্লা লৈখিদবা চহী অদুমক্কী মে ১০দা Enter the Dragon হায়বা ফিল্ম অদুগী অখন্নবা থৌরম অমা পাঙথোক্লিঙৈদা মহাক ৱাখল মাঙদুনা ৱান্থখি। মদুদা Hong Kong Baptist Hospital দা পুখৎতুনা য়েংবদা মহাক্কী ব্রেনদা cerebral edema গী লায়ওং অমা লৈরে হায়না হায়খিবা লৈখি। অনীরকশুবা ওইনা এটেক তৌরকপদনি মহাক্লা লৈখিদবা অসি। অদুবু, তেনখ্রবা মতম অসিদা মহাক ফিল্ম কয়া কুম্লম্মী। টি ভি সেরিএল অমদি দোক্যুমেন্টরি কয়া অমসু পুথোক্লম্মী। মহাক্লা লৈখিদবা মতমদা মহাক্কী মচানুপা অহল Brandon Lee চহী ৮ দমক ঙাইরি। মপাগী মহুৎ শিন্দুনা মহাক মার্সিএল আর্টস নিংথিনা তমখি লোয়নননা এক্টর অমা ওইরকখি। মমিং ফনা নিংথিনা চৎপা হৌরকখি। মহাক্লা কুমখিবা ফিল্ম - *Legacy of Rage(1986), Showdown in Little Tokyo (1991), Rapid Fire(1992)* অসি মথং-মথং পুথোরকখি। মণিপুরদসু মহাক্কী ফিল্মশিং অসি য়ৌরকখি। অদুবু লাইবক থীবদি **The Crow** হায়বা ফিল্ম অমগী শুটিং সেট মফম অমদা শোয়বদগী কাপথোরকপা নোংমৈ মৱৃনা পান্দুনা পুন্সি পিখম্নখি। সিগী মতুংদা মহাক্কী মচননুপী Shannon সু Richard Bustillo কৌবা মপানগী মহৈরোয় ওইরম্বা অমদগী জীট কুনে দে অসি নিংথিনা তমখি। মপা অমদি মবুংগুম মহাকসু এক্সন ফিল্মদা এক্টর অমা ওইনবা কন্না হোৎনখি। মমৈথংদা মায় পাকখি। অদুবু অদুক য়াম্না কন্না মপা অমদি মবুংমক্কী মীংচৎ অদু য়ৌনা থম্বদি ঙমদ্রি। ব্রুস লী মশামকসু অনৌবা ফিল্ম অমগী এসাইনমেন্ট ফংদুনা ফিল্মদুগী এক্ট্রেস, প্রদ্যুসর, দিরেক্টর য়াওনা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমদা মহাক মশা লেকথরক্তুনা হোস্পিটালদা পুখৎপগী লম্বীদা লৈখিদবনি। মহাক্লা মতম চাদনা লৈখিদবা অদুদা পাউ কয়া অমা থোরকখি। মহাক অসি লৌতুনরগা হাৎপনি হায়বনচিংবা অমদি অতৈ মরম কয়া অমা পুথোক্তুনা ঙাঙনখি। ডোক্টরনদি মহাক্কী ব্রেনগী ওইবা প্রোব্লেম অমা লৈবনা মরম ওইরগা লৈখিদবনি হায়না হায়খিবা লৈখিবনি।

ব্রুস লীনা মার্সিএল আর্টস তমখিবা অমদি মসিদা করিগী থৱায় য়াম্না য়াওশিল্লুবনো হায়বগী মতাংদা ৱাফম খরা থোরকখি। মদুদি হোং কোংদা মহাক মশানা চহী ১২গা শুরকপা মতম অদুৱাইদা ষ্ট্রীট গুন্দা ময়াম অমনা ঙাওশিন্নদুনা অচৎ-অওক কয়াদা উশিৎ-থওইদবা অমদি ফূ-চৈবা য়াম্না তোইনা তৌখি। ব্রুস লীবুসু মখোয় ফাইটর কাঙবু অদুনা য়াম্না তোয়না ফূবিখি। মদুনা মরম ওইরগা মহাক মথৱায় য়াম্না নুংঙাইখিদে। মখোয়গী মথক্তা লমন খুমনীংবা অমদি মখোয়গী এক্টিভিটি কয়া অদুবু নমথবা পাম্লমখি মরম অদুনা Wing Chun কৌবা মমিং লৈরবা মার্সিএল আর্টসকী ওজা অমগী মখাদা মহাক মার্সিএল আর্টস তম্বা হৌরকখি। মমৈথংদা মহাক্কা ষ্ট্রীট ফাইটরিশিং অদুগা থেংনখি, ব্রুস লীনা মখোয়বু মায়থীবা পীখি। ব্রুস লীগী য়াম্না শাথীরিবা, মী অতৈগা মান্নদবসি মহাক্কী মখোঙ অমদি মখূৎসি অসুক্কী মতিক থুবা অসিনি। মহাক্কী মখূৎনা য়েৎনা-ওইনা চঙনা থিনবদা সেকেন্দ অমগী মনুংদা ২০ লক হেন্না থিনবা ঙম্মী হায়রি। মসিগা মান্ননা মহাক্কী মখোঙ অনীমকসু য়াম্না শিংই। মদুনা মরম ওইরগা মহাকপু কনাগুম্বা অমনা শিবা অমসুং চঙবগী ফাইট তৌনরকপা মতমদা মহাক্লা লাকচবা হেল্লি।

ষ্টার ওফ দ সেঞ্চুরি এৱার্দ য়াওনা মনা মথুম কয়া ফংদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রবা এক্টর অসিগী ফীট ৮ হেন্না ৱাংবা ব্রোঞ্জনা শাবা অশাবা শক্তমশিং মালেমসিগী মফম কয়াদা খিন্দুনা ঙসিসু মীয়ামদা উহল্লি। মহাক্কী ষ্টেচ্যু লৈরিবা মফম খরদি California, Los Angeles, Chinatown Central Plaza, USA, Hong Kong, China অমদি Mostar হায়রিবা মফমশিংদা লেপ্পুনা লৈরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৭। ১২ । ২০২০ইং, নোংমাইজিং;
পোইনুগী ১৩নি পানবা।

**মেষ :** লাইবক ফবা, নীংবা থুংবা, মরুপ মপাংগী মতেং লৌবা য়াবা অমদি অনৌবা অশা লাক্তুনা ৱাখল নুংঙাইবা লৈগনি। চিন কল্লদি অঙম্বনা তাথিগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃষ :** লেংদবা লন তানশিনবগী নুংঙাইবা, ঙাঙ-শকপদা মীনা থাগৎপিবা অমদি নচা ননাই চাওখৎপা নুমিৎনি। অফা অপুন্নবদি লৈ অদুবু অচুম্বনা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অনীংবা ফোঙদোকপা য়াগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন :** নীংবা মপা চাগনি, খুৎচাও থাবা কান্নগনি অমদি অনৌবা থৌরমদা মায় ওনশিনবা মায় পাক্কনি। অহৈ অশিং শাগনু অমদি শকখঙদবা লোয়নগনু -মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কর্কট :** মীকোক থোংবা, লৌশিং চাওখৎপা, ললোন ইতিক্তা কান্নবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা নুমিৎনি। মীয়াম লোয়নবা নুংঙাইবা ফংজগনি, শেল চংই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি-মরী ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** মীপাইবা পোক্তনবা মরম চাদনা চরাংনগনু অমদি চিন কনগনু। মরুপ মপাং লোয়নবা অমদি ইমুং মনুংগী ৱা লুম্না লৌবা য়াম্না ফবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অশা হেন্না চাওগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কন্যা :** অফবা ৱাখলনা মাংওইনবা কান্নগনি অমদি মরুপ নত্রগা ইমুং মনুংগী ৱা তাবা ফগনি। অফা অপুন্নবা অমদি মীতোপ কাহেন্না থাজবনা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লানগে খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** ঙসিসু নীংবা থুংগনি, থবক পাংবৈ নুংঙাইবা অমদি মীকোক থোংবা ঙমগদবা নুমিৎনি। হুরানবনা কিহনবদি লৈগনি- মীতোপ থাজবা হৈগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** ৱাখল য়াম্না নুংঙাইজৈ অমদি লাই গুরুনা চানবী। হকচাং নুংঙাইবা অমদি থৌনা লৈবনা মীনা লাকচবা ঙমলোই। অদুবু নাইতোম ৱারেপ লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**ধনু :** হকচাং খিংবা, লৌশিং চাওবা অমদি মরুপ মপাংগী মতেংতনা চাওখৎপা ওইগদবা নুমিৎনি। থবক পনবগী ইকায়বা নংবা অমদি নক্লবনা য়েংথিবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱা ঙাঙবা লুই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশেংবা/কিসমিস।

**মকর :** লৌশিং থোকপা ৱাৎলি অদুনা অরুবা খন্নবদা ইশাগী ৱাফম থমদবা ফৈ-মতম লৌ। মীরক চংবদদি নুংঙাইজবা অমদি ওইজবা ফংগনি। হুদৈ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরীদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কুম্বা :** মীয়াম্না থাগৎপিবা, নীংবা থুংবা, মীনা লাকচবা ঙমদবা অমদি লৈঙাক্কী লম্দসু মায় পাকবা নুমিৎনি। য়েক্লবা লৈরসু লায়না খুদুম চনগনি-চিংনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিন :** পোরম য়াৎপা, ৱা-ঙাঙবা হৈবা অমদি মরুপ মপাং চাওখৎপা নুমিৎনি। চরাংনবা অমদি অশাওবনা নরল মাঙহনবা য়াবদি লৈ। তপথবনা য়াইফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মতম খরা ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




ওজা : ন্যুটন লো খঙবরা হায়য়ু।
মহৈরোয় : খঙই অদুবু অহৌবদি কাউখ্রে ওজা, অরোইবদি খঙই।
ওজা : ফরে, অরোইবদু হায়রো।
মহৈরোয় : .... মদুবু কৌই ন্যুটন লো!!!

---

পাকিস্তানি নুপামচা অমা ইন্দিয়াগী স্কুল অমদা এদমিসন তৌদুনা লাইরিক তম্মী।
ওজা : নঙগী মীং করি কৌই?
নুপামচা : রহিম কৌই সর।
ওজা : নঙ হৌজিক ইন্দিয়াদা লৈরবনিনা ঙসিদগী নঙগী মীং রাম হায়না কৌরগনি।
নুপামচা অদু য়ুমদা য়ৌরক্লে...
মমা : স্কুলগী অহানবা নুমীৎ নুংঙাইখিবরা?
নুপামচা : ঐ হৌজিক ইন্দিয়ন ওইরে মরম অদুনা রহিম কৌবগী মহুৎতা রাম হায়না কৌবিয়ু।
মমা অমদি মপানা নুপামচা অদু খরা ফুরম্মী...
নোঙাল্লগা অশোকপা মায়থোংগা লোয়নননা স্কুলদা নুপামচা অদু লাক্লম্মী।
ওজা : কৈদৌবা য়াওরে রাম?
নুপামচা : ঐনা ইন্দিয়ন সিটিজন অমা হেক ফংবগী পুং ৪গী মতুংদা ঐবু পাকিস্তানি অনীনা এটেক্ত তৌরকপনি ...!!!

---

ক্লাস মাষ্টর : তোম্বা করিগুম্বা ঐখোয় স্কুলগী গেট মমাংদা বোম অমা লৈরম্লবদি, নঙ করি তৌগনি?
তোম্বা : পুং অমা-অনী ঙাইদুনা লৈগনি। করিগুম্বা পুং অমা-অনীগী মনুংদা বোম এক্সপার্ট লাক্তুনা পুখ্রবদি ফরে। নৎত্রদি ক্লাস রুমদা পুশিন্দুনা থমগনি ...!!

---

ওজা : ঐ ৱাহৈ পরেং অনী হায়গে, ৱাহৈ পরেং অনী অসিদা করি-করি খেন্নবগে হায়য়ু?
১. মহাক্লা কোন ফেংই।
২. মহাক কোন ফেংবা মথৌ তারম্মী।
নাউচা : অহানবগী ৱাহৈ পরেংদা য়াওরিবা সবজেক্ট অসি লুহোংদ্রিবা নুপানি। অদুগা অনীশুবা ৱাহৈ পরেংদা য়াওরিবা সবজেক্ট অসিনা য়ুম পাল্লবা নুপানি...!!!

---

মেদাম : ওক্টোবর ১, ২ অমদি ১৫ বু মীয়াম্না করিগীদমক নীংশিংনদুনা চহী খুদিং থৌরম পাঙথোক্লরিবনো?
তোমচা : মেদাম, ওক্টোবর ১দা গান্ধীগী অপোকপী মমা হোস্পিটালদা পুখৎখি। ওক্টোবর ২দনা গান্ধী পোকখি মরম অদুনা ঐখোয়না মাগী মপোক নুমীৎকী থৌরম পাঙথোকপনি।
মেদাম : ওক্টোবর ১৫না কৈদৌরবা ?
তোমচা : ওক্টোবর ১৫দনা গান্ধীগী চাউম্বগী নুমীৎ তাই....!!!!

☞ পীরিবা ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title : **Scenery**
By : Durjaya Lanchenba Thoudam
Class : IV Sec : C Roll No.
School : UNACCO School



Title : Khamba Thoibi
By : Henthoisana Pukhrambam
Class : III Sec : B Roll No. 2
School : Mother's Pride Academy, Bishnupur



Title :
By : M. Chinglemba Singh
Class : I Sec : B Roll No. 38
School : St. Joseph Higher Sec. School



Title : *A Lady*
By : Neroda Huidrom
Class : V Sec : B Roll No.
School : Khuman Maheikol



Title :
By : Supriya P.
Class : I Sec : E Roll No.
School : Mitra Academy



Title : Chhota Bheem
By : Jason Khumanthem
Class : II Sec : B Roll No.
School : Christ Jyoti, Mantripukhri



Title :
By : Kathryn Ningombam
Class : I Sec : Emerald Roll No. 3
School : Heritage Convent



Title : **Rafale Fighter Jet**
By : Mahananda Nongthombam
Class : V Sec : Roll No. 01
School : Reliance Academy, Koirengei



Title : An Elephant
By : Kshetrimayum Charich
Class : V Sec : B Roll No. 24
School : Savio English Hr. Sec. School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়নননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্পগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।